ব্লাদিমির পুটিনগী খোঙচৎ মনুংদা ইন্দিয়া অমদি রসিয়ানা মিসাইল সিষ্টেমগী য়াওনা য়ানচে ৮ খুৎয়েক পীনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগা হিরম কয়াদা কুপ্না ৱারী শানরবা মতুংদা লৈবাক অনীনা য়ানচে নিপান খুৎয়েক পীনখ্রে। লৈবাক অনীগী দিফেন্সকী মরী হেন্না চেৎশিনহনবা ওইনা এস-৪০০ ত্রিম্ফ এয়র দিফেন্স মিসাইল সিষ্টেম মঙা লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ানচে অমসু খুৎয়েক পীনখি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা ১৯ শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল বাইলেট্রেল সমিটকী নাকোয়ননা য়ান্নচেশিং অদু খুৎয়েক পীনখিবনি।

নাকল অনীনা খুৎয়েক পীনখ্রবা য়ান্নচেশিং অদুদি, প্রোটোকোল ফোর কন্সল্টেসন বিত্বিন মিনিষ্ট্রি ওফ ফোরেন এফ্যেরস এন্দ মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফ্যেরস ফোর দ পেরিয়দ ২০১৯-২০২৩; রসিয়ন ফেদরেসনগী মিনিষ্ট্রি ওফ ইকনমিক দিভলপমেন্ট অমসুং ইন্দিয়াগী নেসনল ইনষ্টিট্যুসন ফোর ট্রান্সফোর্মিং ইন্দিয়া (নিতি আয়োগ) গী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং; হ্যুমেন স্পেস ফ্লাইট প্রোগ্রাম পায়খৎপগী মতাংদা ইন্দিয়ন স্পেস রিছার্স ওর্গনাইজেসন অমসুং ফেদরেল স্পেস এজেন্সী ওফ রসিয়ানা পুন্না থবক তৌমিন্নবগী মতাংদা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং; ইন্দিয়া অমদি রসিয়াগী রেলৱেশিং মতেং পাংননবগী মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং; ন্যুক্লিয়রগী লমদা অমনা অমগী মতেং পাংননবা য়ান্নচে; ট্রান্সপোর্ট এদ্যুকেসন্দা অমনা অমগী মতেং পাংননবা রসিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ট্রান্সপোর্ট অমদি ইন্দিয়ন রেলৱেগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং; মাইক্রো, স্মোল এন্দ মিদিয়ম ইন্টরপ্রাইজেসসতা নেসনল স্মোল ইন্দষ্ট্রিজ কোর্পোরেসন অমসুং রসিয়ন স্মোল এন্দ মিদিয়ম বিজিনেস কোর্পোরেসনগী মরক্তা মেমোরেন্দম ওফ অন্দরষ্টেন্দিং; লোয়ননা রসিয়ন দাইরেক্ট ইনভেষ্টমেন্ট ফন্দ; পি জে এস সী ফোসএগ্রো অমদি ইন্দিয়ন পোটাস লিমিটেদকী মরক্তা ফর্টিলাইজরগী মতাংদা মতেং পীননবা কোওপরেসন এগ্রিমেন্টনি।

কুমজা ২০১৭ গী জুন ১ দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা রসিয়াদা চৎলুবা মতমদা লৈবাক অনীগী ১৮ শুবা চহীগী মীফম পাঙথোকখিবনি। হৌখিবা মে থাদসু মোদিনা রসিয়াগী সমুদ্র মপালদা লৈবা সোইচি সিটিদা চৎতুনা রসিয়ন প্রসিদেন্টকা হিরম কয়াদা ৱারী শানখি।

চৈরকসিদা, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হায়খ্রে মদুদি, রসিয়াগী মিলিটরিগী মতিক ময়াই হন্থহন্নবগী পান্দমদা ৱাশিংতন্না মোস্কোগী মথক্তা অথিংবা থমখিবা নত্তে। হিরম অসিগী মতাংদা য়ু এস এম্বেসিগী স্পোক্সপার্সননা হায়খি, কাউন্টরিং অমেরিকাস এদভজরিস থ্রু সেঙ্কসনস এক্ট (সী এ এ টি এস এ) গী সেক্সন ২৩১গী মখাদা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎখিবনি।

থৌরাং অসিনা মরুপ-মপাং ওইরিবা লৈবাকশিংদা মিলিটরিগী তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই হন্থহনবগী ৱাফম লৈরোই। ইন্দিয়া অমসুং রসিয়ানা এয়র দিফেন্স লৈবা য়োনবগী মতাংদা দোল্লর বিলিয়ন ৫ গী য়ান্নচে খুৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখিবনি।

য়ু এসনা অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্লদুনা হায়খি, রসিয়াগা খুৎলায় লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ান্নচে খুৎয়েক পীনখিবা লৈবাক খুদিংমক্কী মথক্তা অকনবা থবক লৌখৎলকপা য়াই। চহীগী ওইবা মীফম পাঙথোক্লবগীদমক রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ন্যু দিল্লিদা থুংলখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়া অমদি রসিয়ানা এয়র দিফেন্স সিষ্টেমগী য়াওনা তোঙান তোঙানবা য়ান্নচে ৮ খুৎয়েক পীনখিবনি।

থাউগী মমল হন্থহনবা মীখল ময়াগী থৌরাংনি : কোংগ্রেস

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

থাউগী মমল হন্থহনখিবগী মতাংদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং কোংগ্রেসনা মরাল শিনবগী থৌওং চথরকখ্রে।

সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা পেট্রোল অমসুং দিজল লিটর অমদা লুপা ২.৫০ গী চাংদা মমল হন্থহনখ্রবা মতুংদা বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খি, লৈঙাক্লা মীয়ামগীদমক খল্লগা তঙাইফদনা থাউগী মমল হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌখিবনি। কোংগ্রেসনদি থৌওং অসি মীখল ময়ামগী ভোট ফংনবা তাৎনি হায়না ফোঙদোকখি। ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুট জেটলিনা ঙরাং পেট্রোল অমদি দিজলদা লৌবা টেক্স হন্থহনবগী ৱাফম লাউথোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, টেক্স হন্থহনবগী থৌওং অসিনা থা ৬ কী মনুংদা সেন্ট্রল গভর্ণমেন্টনা লুপা ক্রোর ১০,৫০০ মাঙজরগনি। অদুম ওইনমক ষ্টেট লৈঙাকশিংনসু মীয়ামগী খল্লগা থাউদগী লৌবা টেক্স হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎকদবনি।

কোংগ্রেসকী স্পোক্স পার্সন রন্দিপ সুর্জেৱালানা হায়খি, মীয়াম্না সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টতা অশাউবা কয়া উৎথোরকপদগী তঙাইফদনা থাউগী মমল হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌরকখিবনি। হৌখিবা থা খরগী মনুংদা থাউগী মমল কা হেন্না ৱাংখৎলকপা মরম্না মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লখি। চহী অসিগী মনুংদা ষ্টেট খরগী এসেম্লী ইলেক্সন অমসুং মথং চহীদা পাঙথোক্কদবা লোক সভা মীখলগী য়েংলগা বি জে পিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্লা থাউগী মমল হন্থহন্নবা ফিরেপ লৌরকপনি।

অমরোমদা, ৱেষ্ট বেঙ্গোলগী চীফ মিনিষ্টর মমতা বেনর্জিনা হায়খ্রে মদুদি, পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংদা লৌরিবা টেক্স কা হেনমনবদগী হন্দক মরক থাউগী মমল ৱাংখৎলকপনি। সেন্টরনা লৌখৎলক্লিবা ফিরেপ অসি পূক্লিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা তারবসু তঙাইফদনা থাউ লিটর অমদা লুপা ১০ গী চাংদা হন্থহনগদবনি। সিলিগুরিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা বেনর্জিনা হায়খি, সেন্টরনা মীয়ামগী য়াইফনবা খনবগী মহুত্তা মীখলগী য়েংলগা পার্টিগী ফীভম ফগৎহন্নবা পেট্রোলিয়ম প্রদক্টশিংদগী টেক্স হন্থনা লৌনবা ৱাফম লাউথোকখিবনি।

নেসনল কনফরেন্সকী ৱার্কর অনী হাৎখ্রে

শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৫(এজেন্সী):

শ্রীনগরগী কর্ফালি মোহালাদা ঙসি টেররিষ্টশিংনা নেসনল কনফরেন্সকী ৱার্কর অনী হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা কয়ামরুম অশোক অপন নংহনখ্রে।

শ্রীনগরগী সিনিয়র সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস ইমটিয়াজ ইস্মেল পারেনা হায়খি, টেররিষ্টশিংনা করি মরমগী পোলিটিকেল পার্টি অসিগী ৱার্করশিংদা এটেক চথরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

টেররিষ্টশিংগী এটেক্তা নেসনল কনফরেন্সকী ৱার্কর অনী শিরে অমসুং অশোকপশিং মনাক নকপা হোস্পিটালদা লায়কন্নরি। থৌদোক অদুবু পার্টিগী লুচিংবা ওমার অব্দুলানা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

অব্দুলানা থাদোরকপা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, খুৎলায় পায়বা টেররিষ্টশিংনা মীয়ামগী থৌগল তৌরিবা পোলিটিকেল ৱার্করশিংদা অতম্নবা এটেক চথরকপগী থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। লৈখিদ্রবশিংগী ইমুং-মনুংনা নংহৌরিবা অৱাবদা থম্মোয় শেংনা শরুক য়ারি।

কয়াৎ ককথৎপগী কেসতা পঞ্চকুলাগী সী বি আই কোর্টনা গুর্মিট রাম রহিম বেল পীখ্রে

পঞ্চকুলা, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

হকচাংগী কয়াৎ ককথৎখিবগী কেস অমগা মরী লৈননা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা গুর্মিট রাম রহিম সিংহবু পঞ্চকুলাগী সী বি আই কোর্টনা বেল পীখ্রে। অদুম ওইনমক রেপ কেসতা মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখিবা মরম্না দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা অসি মখা তানা জেলদা অদুম্মক লৈখিগনি।

মহাক্কী তুংইনবা নুপাশিংগী কয়াৎ ককথৎখি হায়বগী মতাংদা সী বি আইনা গুর্মিট রাম রহিম সিংহগী মথক্তা চার্জসিট অমা ফাইল তৌখিবনি। মহাক্কা লোয়ননা পঙ্কজ গার্গ অমদি এম পি সিংহ কৌবা ডোক্তর অনীসু ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিংগী মখাদা বুক তৌখি।

কুমজা ২০১৪ দা পঞ্জাব এন্দ হরিয়ানা হায় কোর্টনা পীখিবা য়াথং অমগী মতুংইন্না কুমজা ২০১৫ দা সী বি আইনা রাম রহিম অমসুং অতোপ্পা মীওই খরগী মথক্তা কেস লৌখৎখি।

কুমজা ২০১২ দা দেরা সচা সৌদাগী তুংইনবা অমনা হায় কোর্টতা রিট পিটিসন ফাইল তৌদুনা হিরম অসিগী মতাংদা ইনভেষ্টিগেসন চথহন্নবা তকশিনখি।

পনবা য়াবদি, তোপ তোপ্পা লাইনিং লম্বী অমা হৌদোক্লুনা তুংইনবা মীওই কয়ামরুম লৈরম্লবা গুর্মিট রাম রহিম সিংহনা জেলদা মনা-মশিং থাদুনা নুমীৎ খুদিংগী লুপা ২০ তান্দুনা লাকখিবনি। হরিয়ানাগী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা হায়খি, তুংইনবী নুপী কয়া ফন্নানখিবগী মরালদা চহী ২০ মীয়াৎ তাদুনা হরিয়ানাগী রোহটক্তা লৈবা সুনারিয়া জেলদা থল্লিবা রাম রহিমনা অহানবা জেল চঙবা মতমদা করিগুম্বা চাউথকউ হায়বা য়াখিদে। মহাক্না লৈরিবা জেলগী কা অদুগী মনাক্তা অহাংবা লমহাং অমদা মনা-মশিং থাদুনা মতম লেল্লে হায়রি।

রাম রহিমনা কুমজা ১৯৯০ দা দেরা সচা সৌদাগী লুচিংবা ওইরবা মতুংদা মহাক্কী তুংইনবী নুপী কয়া ফন্নানখিবগা লোয়ননা নুপী কয়াগী ফিনুংগী কয়াৎ ককথৎখি হায়না মরাল শিরকখিবনি।

মসজিদ থুগায়বদা অয়াবা লৌখিদবনা রাম টেম্পল শাবদসু অয়াবা লৌফম থোক্তে : শিব সেনা

মুম্বাই, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাবা ঙমদবগী মতাংদা সেন্টরবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লদুনা শিব সেনানা হায়খ্রে মদুদি, মসজিদ থুগায়রমদাইদা অয়াবা লৌখিদবা মরম্না অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাবগী মতাংদসু কনামত্তগী অয়াবা লৌবা মথৌ তাদে।

অথুবা মতমদা রাম টেম্পল শাগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা শিব সেনাগী লুচিংবা সঞ্জয় রাওটনা হায়খি, উত্তর প্রদেশকী অয়োধ্যাদা শিব সেনাগী প্রসিদেন্ট উধব থাকরে চৎতুনা রাম টেম্পল শাবদা অঙম্বা মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

শিব সেনানা মতম কয়াগী মমাঙদগী অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাগদবনি হায়না তকশিন্দুনা লাকখি। বি জে পিনা সেন্টর লৈঙাক পায়রকপা চহী মরি মপুং ফারবসু হৌজিক ফাওবা রাম টেম্পল শানবগী মতাংদা শকখিবা ৱাশক ঙাঙপা ঙমদ্রি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

শিব সেনাগী লুচিংবা আর্বিন্দ সাৱন্টনা হায়খি, কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখল মমাঙদা এন দি এনা অয়োধ্যাদা রাম টেম্পল শাবগা লোয়ননা কাশ্মিরগী ৱাথোক লোইশিনহনগনি হায়না ৱাশকখি। এন দি এনা লৈঙাক পায়রকপা চহী মরি মখায় ফারবসু হৌজিক ফাওবা রাম টেম্পল শাবা হৌদ্রি। শিব সেনানা মতম পুম্বা রাম টেম্পল শানবগী মতাংদা খোঙফম হন্দোকপা তৌরোই।

অমরোমদা, রামগী টেম্পল অমা অয়োধ্যাদা শাগদবনি হায়না তকশিল্লদুনা হিন্দু লাইনিংবা কাঙবু অমনা শিদ্রিবফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনবা হৌখ্রে। মহন্ত পরমহন্স দাসনা লুচিংবা লাইনিংবা কয়ানা রাম টেম্পল শাবা হৌদ্রিবা ফাওবা চরা হেনবগী খোঙজং হন্দাক্লোই হায়না ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা, শিব সেনাগী লুচিংবা উধব থাকরেনা দসেরা লোইরগা অয়োধ্যাদা চৎতুনা রাম টেম্পল শানবগী থৌরাং লৌখৎপা হৌরগনি হায়রি। পার্টিগী লুচিংবা সঞ্জয় রাওটনা হায়খি, ওক্টোবর ১৯ দা দসেরাগা মরী লৈননা পাঙথোক্কদবা থৌরম অমদা উধব থাকরেনা অয়োধ্যাদা চৎপগী মতম মীয়ামদা লাউথোক্লগনি।

দিল্লিদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুদ পীবগী ৱাফম সুপ্রীম কোর্টনা য়াখিদ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

দিল্লিদা মপুং ফাবা ষ্টেটহুদ পীগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রীম কোর্টনা লৌখিদ্রে। মমাঙদা কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চ অমনা দিল্লিবু মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইহনবা য়ারোই হায়না ৱায়েল পীবা লৈখ্রবনি।

হিরম অসিগী মতাংদা থাঙ্গৎলকপা পিটিসন অমা জষ্টিস মদন বি লোকুর, জষ্টিস অব্দুল নাজির অমসুং জষ্টিস দিপক গুপ্তগী বেঞ্চনা হিয়ারিং চথখি। পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা হায়খি, জুলাই ৪ দা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চনা পীবা ৱায়েল অদু মরম চাবা ৱাৎলি। দিল্লিবু মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইনা লাউথোকপদা থোইদোক্লা অকায়বা লৈতে।

পিটিসন অদু দিসমিস তৌরদুনা সুপ্রীম কোর্টনা হায়খি, হিরম অসিগী মতাংদা জজ মঙাগী কনষ্টিট্যুসন বেঞ্চনা পীখিবা ৱায়েল অদু হৌজিকসু মখা তানা অদুম্মক চৎনরি।

পিটিসনরগী মায়কৈদা লেপখিবা উকিলনা হায়খি, এয়র পোল্যুসন অমদি ট্রাফিক জামনচিংবা খুদোংচাদবা কয়ামরুম দিল্লিদা হৌজিক হৌজিক মায়োক্লরি। করিগুম্বা দিল্লিবু মপুং ফাবা ষ্টেট অমা ওইনা লাউথোকপা তারবদি অসিগুম্বা খুদোংচাদবশিং কোকহন্নবা হোৎনবদা চাউনা মতেং ওইনগনি।

অমরোমদা, কাটুৱা গেং রেপ কেসতা চেন্নবা মীওই অমনা থৌদোক অসিগী মতাংদা নৌনা অমুক ইনভেষ্টিগেসন চথবীয়ু হায়না থাঙ্গৎলকখিবা পিটিসন অমা সুপ্রীম কোর্টনা য়াখিদ্রে। কেস অসিদা চেন্নবা অতোপ্পা মীওই অনীনা ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সী অমদা ইনভেষ্টিগেসন চথহনগদবনি হায়না থাঙ্গৎলকখিবা অতোপ্পা পিটিসন অমসু জষ্টিস য়ু য়ু ললিত অমদি জষ্টিস দি ৱাই চন্দ্রচুদকী বেঞ্চনা অয়াবা পীখিদে। কেস অসিদা চেন্নবা মীওই অনীনা ৱাথোক অসি সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনভেষ্টিগেসন (সী বি আই) থিগৎহনগদবনি হায়বা হৌখিবা এপ্রিলদা পিটিসন অমা ফাইল তৌরকখি। পিটিসনরশিংনা হায়খি মদুদি, কনষ্টিট্যুসন্না পীবা রাইট মতুংইন্না অচুম্বা মওংদা ৱায়েল চথনবগীদমক সী বি আইগুম্বা ইন্দিপেন্দেন্ট এজেন্সী অমদা ৱাথোক অসি থিগৎহনগদবনি।

চৎমিন্নবা পার্টিশিংনা অয়াবা পীরবদি লৈবাক্কী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা শেম-শারে : রাহুল গান্ধী

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা অয়াবা পীরবদি মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইনবা শেম-শারে হায়না কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধীনা ফোঙদোকখ্রে।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, অহানবা খোঙথাংদি ৱাখল মান্নবা পার্টিশিং পুনশিল্লগা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) বু মায়থিবা পীবনি। অহানবা তাঙ্কক্তা বি জে পি মায়থিবা পীনবা হোৎনগনি। অনীশুবা তাঙ্কক্তনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইগদবা মী খন্নবা থৌরাং লৌখৎকনি। হিরম অসিগী মতাংদা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিং কয়ারক হন্না খন্ন-নৈনরে। হৌজিকমক্কী ওইনদি বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা হোৎনবা হায়বসিনা ওপোজিসন এল্লাইয়েন্সকী অমত্তা ঙাইরবা পান্দমনি।

পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাহুল গান্ধীনা হায়খি, করিগুম্বা চৎমিন্নরিবা পার্টিশিংনা অয়াবা পীরবদি মথংগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবদা অকায়বা লৈতে। মতম কয়াগী মমাঙদগী টেম্পল, গুরদ্বারা অমদি মোস্কশিংদা লাই খুরুম্বা চৎতুনা লাকখি। অদুবু হন্দক্তা লাইশঙশিংদা চৎপগী মতাংদা বি জে পিনা ইখঙ খঙহৌদনা ৱাফম কয়া ফোঙদোরক্তুনা লৈবাক ৱাথোক ওইহন্নবা হোৎনরে।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি, বি জে পি অমসুং আর এস এসকী মতাংদা মহাক্না হায়খি, সেন্টরদা লৈঙাক পায়রিবা পার্টিনা ইন্দিয়ন বিলিয়ন ১.২ দা অখন্নবা লাইনিং অমখক চৎহন্নবা হোৎনরে। লৈবাক্কী লুরবা তানফম অসিদা বি জে পিগা মায়োক্লবা ঙমগদবদি কোংগ্রেস খক্তনি হায়নসু মহাক্না থাজবা পীখি।

অপোকপী মমা সোনিয়া গান্ধীগা পার্টিগী মতাংদা করি করম্বা খেন্নবা লৈবগে হায়না হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাহুলনা হায়খি, পুন্সিদা মমল য়াল্লবা থৌরাং কয়া অপোকপী ইমাদগী তমখি। মতম অমদা থবক অমা তৌবা মতমদা ঙাইঙমদবা অমসুং পম্থুং হান্না য়ৌনিংবগী অপাম্বা লৈখি। অদুবু অপোকপী ইমানা তম্বীখিবা পারাগী মতুংইন্না হৌজিক্তি খাংবা কনবগী হৈনবী লৈরে। দিমোনেটাইজেসন অমসুং ফোরেন পোলিসীগী মতাংদা মহাক্না সেন্টরবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কোংগ্রেসকা দিবেট তৌনবা শেম শাদুনা লৈরে : অমিট শাহ

নর্হরপুর, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) গী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা হায়খ্রে মদুদি, রমন সিংহনা ছটিসঘরদা চীফ মিনিষ্টর ওইনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতমদা পায়খৎখিবা চাউখৎ থৌরাংশিংগা সেন্টরদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পায়খৎপা থৌরাংগা করম্বনা হেনবগে হায়বগী মতাংদা কোংগ্রেসকা দিবেট তৌনবা শেম শারে।

বি জে পিনা মতম পুম্বা চাউখৎ থৌরাং লৌখৎনবা হোৎনদুনা লাকখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, শাংলবা চহী ৫৫ কোংগ্রেসনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা পায়খৎলম্বা থৌরাংশিং অদুগা ছটিসঘরদা রমন সিংহনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়খিবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা চহী ৫ লৈঙাক পায়বা মতমদা লৌখৎপা চাউখৎ থৌরাংশিং করম্বনা হেনবগে হায়বদু চাংদম্নবা মথৌ তাই। মীখল পাঙথোক্কদৌরবা ছটিসঘরগী নর্হরপুরদা অতল বিকাস যাত্রাগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা মহাক্না হায়খি, রমন সিংহনা চহী ১৫ লৈঙাক পায়রকপদা ষ্টেটকী কাচিন কোয়া শিন-থুংনা চৎতুনা মীয়ামগী মতেং পাংনবা থৌরাং লৌখৎখি। হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা বি জে পিনা সিট মশিং য়াম্না ফংদুনা মায় পাক্লগনি।

‘ত্রিপুরাদা এন আর সী চৎনহন্নবা ৱারী শানখিবা লৈতে’

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৫ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স (এন আর সী) চৎনহন্নবগী মতাংদা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ইন্দিজিনস নেসনেলিষ্ট পার্টি ওফ ত্রিপুরা (আই এন পি টি) গা ৱারী শানখিবা লৈতে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা ফোঙদোকখ্রে।

অসিগুম্বা রিপোর্ট অসিনা মীয়াম্বু লান্না লমজিংলে হায়না পল্লদুনা মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অমনা হায়খি, আই এন পি টিগী মীহুৎ কাঙবু অমনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টরগা উনরবা মতুংদা অসামগা মান্ননা ত্রিপুরাদা এন আর সী চৎনহনবগী ৱাফম অয়াবা পীরে হায়না ফোঙদোকখিবদু য়ুম্ফম য়াওদবনি।

পনবা য়াবদি, ওক্টোবর ১ দা আই এন পি টিনা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর উনদুনা ত্রিপুরাদা এন আর সী চৎনহনবগী মতাংদা ৱারী শানরে হায়না তোঙান তোঙানবা ন্যুজ রিপোর্টশিংনা ফোঙখিবনি। মমাঙদা ইন্দিজিনস পিপলস ফ্রন্ট ওফ ত্রিপুরানা প্রসিদেন্ট রাম নাথ কোবিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহদা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা ত্রিপুরাদা এন আর সী চৎনহন্নবা তকশিনবা লৈখ্রবনি। হিরম অসিগী মতাংদা আই এন পি টিগী জেনরেল সেক্রেটরি জগদিস দেব বর্মানা হায়খি, কুমজা ১৯৫১ না কট ওফ ইয়ার ওইহল্লগা ত্রিপুরাদা মীতোপ খন্দোকপগী থৌরাং লৌখৎনবা য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিদা ৱারী শানসি হায়না চেবাউ পীরকপা লৈখি। ইন্দিয়াগী অশেংবা সিটিজনশিং তাথি-তাওইনা তৌবগী ৱাফম লৈরোই। অদুম ওইনমক কুমজা ১৯৫১ গী মতুং তারকপদা মপান লৈবাক্তগী অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবা মীতোপশিং মশক খঙদোক্লবগীদমক তঙাইফদনা এন আর সী শেমগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। মমাঙ থাদা আই এন পি টিনা এন আর সীগা মরী লৈননা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎপা লৈখ্রবনি।

ঙামী থাদোকহন্নবা তকশিনখ্রে

চেন্নাই, ওক্টোবর ০৫(এজেন্সী):

ইরানগী ওথোরিটিশিংনা ফাজিন্দুনা থমখ্রবা তামিল ঙামী তরুক থাদোকহন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না তামিল নাদুগী চীফ মিনিষ্টর কে পলানিস্বামীনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা তকশিনখ্রে।

থা ১ গী মমাঙদা ঈশিংগী ঙমখৈ লানশিল্লগা ঙা ফারুই হায়বগীদমক ঙামীশিং অদু ইরান্না ফাজিনখিবনি। হিরম অসিগী মতাংদা পলানিস্বামীনা প্রাইম মিনিষ্টরদা থাখিবা চেরোল অমনা হায়, অথুবা মতমদা ঙামীশিং থাদোকহন্নবা হোৎনবদা সেন্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। লায়রবা ঙামীশিং অদু মতম শাংনা ফাজিন্দুনা থমখিবা মরম্না ইমুং-মনুংগী মীওইশিং খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লরে। অৱাবা তারবা ঙামীশিংদা সেন্টরনা অঙম্বা থাক্তা মতেং পাংফম থোকই।

SATURDAY & SUNDAY
DRESSED CHICKEN
Rs. 150/- per Kg.
YUMSHA CHICKEN
Keishampat
HL-P/5487/6&7

[illegible]/ওজা কবিরাজ
অব্দুল হকপু থাগৎপা ফোঙদোকচরি

পাইলসকী অৱাবা খাঙদুনা চহী ২৫ লৈরকখি। খোঙ হাম্বা মরক মরক্তা ঈ য়াওবা, শৌজগী অকোয়বদা পোমথোরকপা, শোকপদা নাবা, অমাঙথোংদা হাক্কৎচবা, ব্রি-ব্রি চৎপা, চাথৎপা, থুপ্পা, মচুম তারকপা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না শাবা, পুক খোংবা, খ্বাঙ নাবা, থবাক ফুনবনি। মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজরুরে, ফবা লৈখিদে। মমৈথংদা ৱাঙ্গোই ষ্টেট বেঙ্ক অৱাংদা লায়েংবিরিবা ওজা **অব্দুল হক, কন্টেক নম্বর ঃ ৮০১৪৬২৩৭৫৬, ৮৭৯৪৪২৯৬৮১** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী পাইলস মপুং ফানা ফজরে। অনাবা, অৱাবা অমত্তা লৈত্রে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা থাগৎচরি।

থাগৎচরিবা : **N. DHANE**
Sunushiphai Mayai Leikai
HL-P/5400/6